## ৱাকৎ হন্দোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): এফ পি এসকী এজেন্টশিং অমসুং দি এস ওনা এন এফ এস এগী মখাদা হৌখিবা থা জানুৱারীগী চাকথুং য়াওনা চেং য়েল্লনি হায়না থাজবা পীখিবদগী নাগা চিফস এসোসিএসননা চেং ফংহন্দবগা মরী লৈননা তৌখিবা ৱাকৎ হন্দোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী অসিনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হৌখিবা ২০১৭ গী ওক্টোবর অমসুং ডিসেম্বর থাশিংগী য়েংশিনখিবা চেংসু অথুবা মতদা য়েল্লগনি হায়না থাজবা পীবদগী ৱাকৎ হন্দোকপগী ৱারেপ লৌবনি হায়রি।

## বিল পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ঙসি চঠখিবা মীফমদা ফাইনান্সকী থৌ পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর ২) বিল, ২০১৮ পুথোকখ্রে।

## মহৈরোয় ৩ তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌবা হায়র সেকেন্দরি এডুকেসন-২০১৮ কী ফেব্রুৱারী ২১ দা লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, লিলোং এগজামিনেসন সেন্টরদা মহুৎ শিন্দুনা থারম্বা সাইন্সকী মহৈরোই ১, সেন্ট জোসেপ হায়র সেকেন্দরি স্কুল কুরাউপোকপী এগজামিনেসন সেন্টরদা মহুৎ শিন্দুনা মহৈরোই ১ অমসুং মোরে গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মোবাইল ফোন শিজিন্নরম্বা ১ পূন্না মহৈরোই ৩ তান্থোকখ্রে হায়রি। মহৈরোই ৩ অসি মখা তানা এগজামিনেসন ফম্বা য়াররোই হায়না (কোসেম) না থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## লৈঙাক্না য়েংশীনবীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট দি আই মোইরাংগী মখাদা লৈবা মোইরাং সাবল খুন্নৌ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী অৱাৎপশিং য়েংশিনবীয়ু হায়না শান্তি ক্লব মোইরাং খুন্নৌ মমাং সাবল লৈকাইনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবা লৈজরবসু হৌজিক হৌজিক ওজা অমখক্তনা ক্লাস ১ দগী ৫ ফাওবা ক্লাস রুম অনিখক্তা লাইরিক তাকপীরি। মরম অদুনা লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্টকচরশিং লৈহনবীয়ু হায়রি।

## GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto:03/01/2018
Valid From:28/12/2017
***Stk :612 (CTC)***
Timing:07.00am to 10.00am
*(Submit Aadhaar Xerox)*

**CANCHI INDANE SERVICE**
***19Kg Commercial Stk-180***
Timing:08.30am to 10.00am
*(First Come First Serve)*

**KHORIPHABA, NAMBOL**
**SL. NO. 6355-6696**
Booking Upto:20/01/2018
Valid From:18/01/2018
***Stk :306 (CTC)***
Timing:07.00am to 10.00am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:05/01/2018
Valid From:30/12/2017
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:07.00am to 10.00am
*(Submit Aadhaar copy, urgently)*

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking Upto:30/12/2017
**SL.NO. 3080**
Valid From:28/12/2017
**SL.NO. 2591**
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:01/01/2018
Valid From:28/12/2017
***Stk :558 (DBTL)***
***Stk 19Kg:36***
Timing:07.30am to 09.30am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:03/01/2018
Valid From:15/12/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**R&H IRILBUNG**
Booking Upto:01/01/2018
Valid From:10/12/2017
***Stk :612***
Timing:08.00am to 11.00am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:19/12/2017
Valid From:15/12/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto:03/01/2018
Valid From:21/12/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto:17/01/2018
Valid From:13/01/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto:09/01/2018
Valid From:05/01/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

# স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ক্লাস হৌরে : লেটপাও

## বরাক ৱাটরৱেগী দি পি আর শেল্লগা মিনিষ্ট্রিদা থাখ্রে : সী এম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ক্লাস হৌরে হায়না য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ঙসি এসেমব্লি মীফমগী দিমান্দ দিস্কসনগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেমব্লি মীফমদা দিমান্দ নম্বর ২৫ য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী খন্নরকপদা পোলিসি কট মোসন থাঙ্গৎলদুনা এম এল এ কয়ানা ফোঙদোক্লখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীবদা স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাওনা হায়খি, মণিপুরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ক্লাস হৌরে। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা বিল্ডিংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ক্লাস হৌখিবনি। বেচেলর ইন ফিজিকেল এদ্যুকেসননচিংবগী কোর্স হৌরে। মহৈরোয় ২৬ লোম লৈরি। শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপদা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং কয়া থল্লি। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মনুংদসু ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎপা লৈ। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মনা-মথুম লৌরক্লবা শান্নরোয় কয়াদা লৈঙাক্না ইন্সেন্টিব পীবগী থবক চথৈ। লৈঙাক্না রিকগ্নাইজ তৌবা মণিপুর স্কাউট নৎত্রগা নেসনল স্কাউটতা চৎপা শান্নরোয়শিংদসু খূদোংচাবশিং পী। লৈঙাক্কী থবক লৌরকপা মতমদা স্পোর্টসকী ওইনা চাদা ৫গী রিজার্ভেসন লৈ। মেদল লৌরক্লবা শান্নরোয় কয়া থবক চঙবদা খূদোংচাবা কয়া ফংই।

চান্দেলদা শেমগৎলিবা দি সী স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিগী বিল্ডিংনচিংবা কয়া শারে। ফেন্সিংগী শরুক ৱাৎলম্মী। স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিংগী থবকশিং লৈঙাক্লসু য়েংশিল্লি। শান্ন-খোৎনবগী লম্দা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎনরকপা য়াওই। অদুবু, অম্ফা হায়বসি ওটোনোমস বোদি ওইবনা লৈঙাক্না দাইরেক্ট ইন্টরফ্যের তৌবা য়াদে। করি-করি রিপোর্ট লৈবগে হায়বদু য়েংশিনগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিমান্দ নম্বর ৬ ট্রান্সপোর্টকী খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা পুখৎনরকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট হিঙ্গৎহনবগা লোয়ননা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা সার্ভিস তৌবা হৌরে। ফেরজোল ফাওবা য়ৌবা সীট ৪১ লৈবা বস অমা থারম্মী। লম্বী অসিদা বস অশাংবা চৎপদা খূদোংচাদবা লৈবদগী তুংদা সীট ৩১ চনবা গাড়ী অমুক থাদুনা য়েংখি। মদুদসু অমুক লম্বী অসিদা চৎপদা খূদোংচাদবা লৈখি। খরা পীকপা গাড়ী চেলহন্নবা খন্নরি। চেল্লকপা মতমদা গাড়ী চৎকদবা মতম অমদি সার্ভিস লৈগদবা সেদ্যুল্ডশিং অদু লেপ্পল্কনি। বরাক ইনলেন্দ ৱাটরৱেগী থবক পায়খৎনবা দি পি আর শেল্লগা মিনিষ্ট্রিদা থাখ্রে। মখা তানা দিল্লিদা চৎপা মতমদা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানগনি। ইনলেন্দ ৱাটরৱে অসি থবক হৌরক্লবদি টিপাইমুখ, ফেরজোলনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ৱাটরৱেগী খূদোংচাবা কয়া লৈগনি।

খ্বাইরম্বন্দ মনুংদা ওটো রিক্সো ময়াম সার্ভিস তৌবা অমদি গাড়ী চিনবা কয়াগী মতাংদসু লৈঙাক্না মীৎয়েং কয়া চঙলি। দিজল ওটোশিং অনৌবা রেজিষ্ট্রেসন তৌহন্দ্রে। ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা রেভিন্যু কলেক্সনগী থবক অসি হৌখিবা চহী ৫ রোম অসিগী মনুংদা কুমজা ২০১৭-১৮ দা য়াম্না হেনগৎপা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিমান্দ নম্বর ৪৮ রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা থম্নখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টরগী থবক থৌরমশিংদা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং কয়া চঙলি। মহৌশাগী ওইবা খূদোংথীবা কয়া থোকখিবগী রিলিফ পীনবগীদমক দিষ্ট্রিক্টশিংদা লুপা ক্রোর ১০ রোম থাদোকখি। মণিপুর অসি য়ুহা হাগনবা মফমগী মনুংদা লৈবনা অনৌবা বিল্ডিংশিং শারকপা মতমদা বিল্ডিং বাই-লোগী তঙাইফদবা কাঙলোন কয়া হাপ্পবা মীৎয়েং চঙলে। অনৌবা বিল্ডিং শারকপা মতমদদি অয়াম্বনা চৎন-কাঙলোন কয়া হাপ্পগা শাগৎনরে। অরিবা বিল্ডিংগী ওইনদি খূদোংচাদবা থেংনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিমান্দশিং অদু খন্নরকপদা এম এল এ ডো. চালটোলিয়ন অমো, কে মেঘচন্দ্র, অব্দুল নসির, খুমুকচম জয়কিষন, ফজুর রহিমসু শরুক য়াখি। তুংদা হাউসনা দিমান্দশিং অদু পাস তৌখি।

ঙসি পাস তৌখিবা দিমান্দশিংদি দিমান্দ নম্বর ৬ ট্রান্সপোর্টকী লুপা ১৫,২৯,২৭,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৬ কো-ওপরেসনগী লুপা ২৬,১২,২৬,০০০; দিমান্দ নম্বর ২৫ য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী লুপা ৭৮,৪৪,০৩,০০০ অমসুং দিমান্দ নম্বর ৪৮ রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী লুপা ৫২,২২,৩৬,০০০ নি।

## ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রৱারি ২২: ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংচন্না লৈরিবা হৈনৌপোক হায়রিবা খুল অসিদা খুল অসিগী লৌমীশিংনা লৌ উনরিবা অমসুং শঞ্জাবুং ওইরিবা মফম অমবু মণিপুর লৈঙাক্কী ডি সীনা প্রেস পার্ক অমসুং ৩৩/১১ কে ভি পৱার সব ষ্টেসন শানবা ওর্দর থোকখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লমদম অদুগী ক্লব মৈরা পায়বী অমসুং খুল অদুগী মীয়াম্না ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা জে এ সী ফোর প্রিজর্ভেসন এন্দ প্রোটেক্সন ওফ এগ্রিকলচরেল লেন্দ এন্দ গ্রেজিং গ্রাউন্দ, হৈনৌপোক, লাংজিং অচৌবগী কনভিনর ওইরিবা য়ুম্নাম সুর্জিৎনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা লৈকাই অসিদা মী অসুক্কী মতিক কুংনা তারিবনি। লোয়ননা হায়রিবা লৌফম অসিদা লৈকাই অসিগী লৌমীশিংনা চহীগী পালি নাইনদুনা লৌ উনদুনা চাননবা চীঙাক তাল্লিবনি। মণিপুর গভর্নমেন্টনা চাউখৎনবগীদমক পায়খৎপা খোঙথাং খূদিংদা লৈকাই অসিগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি জে এ সী অসিনা শৌগৎচৈ। অদুবু হায়রিবা লৌফম অসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা প্রেস পার্ক অমসুং ৩৩/১১ পৱার সব ষ্টেসন শানবা ওর্দর থোক্লিবা অসি লৈকাই অসিগী মীয়ামগীদমক খনবীরগা অতোপ্পা মফম চাবা অমা য়েংবীরগা শাবীনবা হায়জরি। লোয়ননা লৌমীশিংবু নুংশিবীদুনা মফম অসি লৌফম ওইনা অমসুং শঞ্জাবুং ওইনা অদুম লৈহনবীয়ু হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা লৌমীবু কল্লু, লৌফম অমসুং শঞ্জাবুং কল্লু, লৌফমবু চাউখৎ থৌরাংগী মীংদা খোপচিনবা য়ানিংদে, হৈনৌপোক, লাংজিং অচৌবগী লৌফমবু অরানবা মওংদা লৌশিন্নবা হোৎনগনু, দি মণিপুর কঞ্জর্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট, ২০১৪ চৎনহল্লু হায়না থাবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি।

## নোংজু থাদা ইথাই ...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা হায়খি, এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দনা কেন্সর, হার্ট, কিদনি ফেলর অমদি কার্দিওভাস্ক্যুলরগী অনাবা ট্রিটমেন্ট তৌবা য়াবগী প্রোভিজন লৈতে। অরুবা লায়না মখল কয়া লায়েংবদা মতেং পাংনবা লৈঙাক্কী ওইবা প্রোগ্রাম পায়খৎপা লৈখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ ডো. চালটোলিয়ন অমোনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, টিপাইমুখ অমদি বঙ্গাই রেঞ্জতা বেঙ্ক হাংনবা প্রপোজেল লৈরে। টিপাইমুখতা এক্সিস বেঙ্ক অদুগা বঙ্গাই রেঞ্জদনা ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক হাংনবা তৌরি। শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রমনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, নেসনল স্কিম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন অমদি সেক্টর স্কিল কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা স্কিল দিভলপমেন্টকী ট্রেনিং কয়া পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি। ট্রেনিং প্রোভাইদর অমদি ট্রেনিং সেন্টরশিংগী প্রোসেস তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ, ও লুখোইনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, সব-ট্রেজরি ওফিস ৱাঙ্গোইগী অনৌবা বিল্ডিং শানবা থৌরাং লৈত্রি। ষ্টেটসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা লৈরিবা সব-ট্রেজরি ওফিসশিংগী ওইনা তঙাইফদবা মফমদা শেমগৎ-শাগৎনবগী মীৎয়েং কয়াসু চঙলি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱাঙ্গোইগী সব-ট্রেজরি ওফিস অসি অদুমক চল্লাইরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, কুমজা ২০১৭ কী এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবদা থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট অমদি দোলাইথাবী প্রোজেক্টকী ওইনা য়ুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট পীখিবা লৈ। থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী ওইনা টোটেল এমাউন্ট লুপা ক্রোর ৩৯.৯৩৪ নি। দোলাইথাবী প্রোজেক্টকী ওইনা লুপা ক্রোর ১৪.৫৫নি। ষ্টেট ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০১৭-১৮গী ওইনা রিলিজ তৌখিবা অমদি প্রোজেক্ট ওঠোরিটিনা রিসিপ্ট তৌবা এমাউন্ট অসি থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী ওইনা এ আই বি পিগী সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্স লুপা ক্রোর ২৫.৬৩৪, ষ্টেট শ্যেরদা লুপা ক্রোর ১৪.৩০০ নি হায়নসু মখা তাখি।

এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, থৌবাল দামদগী ঈশিং পীবগী থবক অসি ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকীদি চীঙ্খৈ চীং ফাওবদনি। তম্পাক্কী মফমশিংদা ঈশিং পীবগী থবক্তি পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়ারিং দিপার্টমেন্টকীনি। নোংমদা ঈশিং ১০ এম জি দি/৪৫ এম এল দি থৌবাল দামদগী চীঙ্খৈ চীংদা ফংগনি। তম্পাক্কী মফমশিংদা ঈশিং ফংহনবগী থবক্তি পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়ারিং দিপার্টমেন্টকীদি। চীঙ্খৈ চীংদা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট শাবগী থবক অসিসু পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়ারিং দিপার্টমেন্টকীনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ, ও লুখোইনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, ইম্ফাল বরাজগী গেট নম্বর ২ অসি কুমজা ২০১৪ দা রিপ্যের তৌরমখি। ফন্দগী অৱাবা লৈবনা গেট নম্বর ১,৩, ৪ অমদি ৫ অসি শীন্দোকপগী থৌরাংদি লৈত্রি। অদুমকপু তঙাইফদবা ওইবনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম এল এ অলফ্রেদ কানঙমনা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কসোম ফুংথরদা মল্টিপর্পজ ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমা শানবগীদমক প্লানিং এন্দ দিভলপমেন্ট ওঠোরিটিনা শেম্বা দি পি আর অদু লৈঙাক্না য়েংশিল্লি। উখ্রুলদা সিন্থেটিক ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দ শেম্নবগী প্রপোজ প্রোজেক্টকী মতাংদা লৈঙাক্না এগজামিন তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রৱারি ২২: টেক্নিকেল এদ্যুকেসন ক্বালিটি ইমপ্রুভমেন্ট প্রোগ্রাম - ৩ গী মীৎয়েং মখাদা ষ্টার্ট অপ সেল মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফালনা শীন্দুনা 'ফাউন্দেসন ওফ ওন্ট্রপ্রেনরসিপ ডিভলপমেন্ট' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী টাকয়েলদা লৈবা ষ্টেট কলা একাদেমি ওফ ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রোফেসর লাইফ্রাকপম তোম্বী সিংহনা হায়, ষ্টার্ট অপ সেল অসি টেক্নিকেল এদ্যুকেসন ক্বালিটি ইমপ্রুভমেন্ট প্রোগ্রাম-৩ গী মীৎয়েং মখাদা ২০১৭-১৮ গী একাদেমিক সেসনদা হৌদোকখিবনি। মসি মহৈরোয়শিং অমসুং তাকপী-তম্বীরিবা ওজাশিংদা ওন্ট্রপ্রেনরগী ৱাখল খলহন্দুনা অনৌবা খোঙথাং অমা পায়খৎনবা হৌদোকখিবনি। সেল অসিনা ইকনমি হেনগৎহনবদা নতত্তনা মীয়ামদা থবক পীবা ঙমগনি। সেল অসিগী খোঙথাং অসি মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি অসিদা হৌদোক্তুনা মীপূম খূদিংমক্তা খঙহনবগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিদগী গ্রেজ্যুএট লোইরবা মহৈরোয়শিংদা থবক ফংহনবগী চাং হেনগৎহনগনি হায়বগী পান্দম থমখি হায়নসু প্রোফেসর তোম্বীনা মখা তাখি।

## নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): ষ্টেট কম্মিস্নর ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ মণিপুরনা শীন্দুনা ইভাল্যুএসন এন্দ সর্টিফিকেসন ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি সঙাই হোল, ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সোসল ৱেলফ্যেরগী কম্মিস্নর ঐচ দিলিপনা হায়খি, মতমগী অওনবা মতুংইন্না মীওইবগী চৎনরোলসু নোংম-নোংমগী অওনবা লাক্তুনা চাউখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লক্লি। য়ুনেস্কো অমসুং ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননসু খুন্নাইগী চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলক্তুনা চাউখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিন্নবা হোৎনরি। ইনি দয়াদসু মসিগী মমি তারকপা ওইনা নুপা-নুপী থোং মান্ননা চৎনবা হোৎনরি। অঙাংশিং অসি তুংগী য়ুম্বীরেলনি খন্দুনা ঐখোয়না মখোয়বু শেমগৎলগা অফবা লম্বীদা পুনবা হোৎনগদবনি। মসিদা মীদিয়ানা চাওরবা থৌদাং পীদুনা অমত্তা ওইবগী লম্বীদা লমজিংদুনা নুপা-নুপী-অঙাং খাক্তনা পূন্না চাউখৎপগী লম্বীদা চৎমিন্নগদবনি। মসিদা ঐখোয়না চাউখৎপা অমসুং অফবা ইনবাইরোনমেন্ট অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা সোসল ৱেলফ্যের দিরেক্টর জসিন্থা লাজারসনা হায়খি, দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবশিং অসিগীদমক মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কেম্প তৌদুনা কান্নবা পীনবা হোৎনরি। মসিদা নৎতনা মখোয়গীদমক তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়াসু পীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ষ্টেট কম্মিস্নর ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ ডো. আর কে কুমারজিৎনা হায়খি, দিসএবল্ড সর্টিফিকেটতা ইনরোল তৌরিবসি মখল তরেৎ খক্তনি। হন্দক্কী অনৌবা এক্তদি মখল ২১ শুই। দিসএবিলিটিজগী ক্রাইটরিয়া ফুলফিল তৌনবা সর্টিফিকেসন পীবা পংলায় লায়রোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হেল্থ সার্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্টর ডো. রাজো অমদি থৌবাল হোস্পিটালগী দিরেক্টর হেমন্তসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## মপিথেল দাম শঙ্গাবা...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাফম ফোঙদোকপীয়ু।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবী চিঙাখম ইবেমহল কৌবী মৈরা পায়বী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, মপিথেল দাম লাকপদগী খুঞ্জাশিংদা কান্নবা অমত্তা পীবা লৈত্রি। থক্লবা ঈশিং ফংদবা, লম্বী ফত্তবা শেম্বীদবা, হিংনবা লম্বী পীনবা হোৎনবগী মহুৎতা পুকচাক থদৎনবা লৈঙাক্না শিল্লিবসি তোকপীয়ু।

## এয়র ইন্দিয়াগী দিল্লি-ইম্ফাল...

*লামায় ১গী মখা...* ওইনা ষ্টেট অসিনা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা এন ঈ ডি এস ২০১৮ পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, অতোপ্পা ষ্টেটশিং অসাম, য়ু পিদসু মশা-মশাগী ষ্টেটতা অসিগুম্বা বিজনেস সম্মিট অসি পাঙথোক্লখ্রে।

মফম অমা চাউখৎনবা হোৎনবদা লম্বী থোংগী ফিভম ফহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি। মহাক্না হায় খুন্নাই অমবু চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা অপূনবগী পাঙ্গল চঙই। অদুনা ঐখোয় ঈশা ঈশাগী ৱাখল, লমচৎ-শাজৎ হান্না শেমদোকপা তঙাইফদে হায়খি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়াদা ম্যান্মারগী এম্বেসেদর ওইনা লৈবা মো ক্যান ওংনা শরুক য়ারদুনা হায়, ইম্ফাল-রেঙ্গুননচিংবদা ডাইরেক্ট ফ্লাইট লৈহন্দুনা কর্নিট্রিশিংগী মরক্তা লল্লোন-ইতিক অমসুং শেল-থুমগী মপাঙ্গল হেনগৎনবা হোৎনবদা লল্লোন-ইতিক তৌবদা অমসুং পোৎ-চৈ ফংহনবদা ফ্রী ফ্লো ওইবা অসিনা য়াম্না মরুওইবা মচাক অমনি হায়খি। লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাকশিং ফাওননবগী য়াম্না মরুওইবা মফম অমনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদু মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ইন্টরনেসনল চেম্বর সর্ভিস ইন্দষ্ট্রি অমসুং মণিপুর ইনফ্রাষ্ট্রকচর ডিভলপমেন্ট এজেন্সি (এম আই ডি এ) না শীন্দুনা 'টেপ্পিং পোটেন্সল ওফ সর্ভিস সেক্টর কেটরিং টু ডোমেষ্টিক এন্দ ইন্টরনেসনল ডিমান্দস' হায়বা থীম অসিদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী জোইন্ট সেক্রেটরি, সুধানসু পান্দে; এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) ডো. আই সুরেশ বাবু; ইন্টরনেসনল চেম্বর ওফ সর্ভিস ইন্দষ্ট্রিগী ডিরেক্টর জেনরেল ডো. গুলসন শর্মা; এম আই ডি এগী ভাইস চ্যেরমেন এম অসনিকুমার; ইন্দিয়া-শ্রী লঙ্কা এন্দ নেপাল ফ্লাই দুবাইগী হেদ প্রান দসন অমসুং ওপরেসন মীদিয়া ইন্টরটেন্টমেন্ট ইন্দষ্ট্রিগী হেদ মোহিট সোনিসু শরুক য়াখি।

# ইন্সপেক্টর ফূবদা চেন্নবশিং ফারগা লোগী থবক লৌখৎলু : লোকেন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা সী এ এফ এন্দ পি দিগী ইন্সপেক্টর অমা বি জে পিগী নুপী ৱার্কর খরা লাক্লগা ফূরম্বগী থৌদোক্তা চেন্নরিবশিং পুং ২৪গী মনুংদা ফারগা লিগেলগী ওইবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না এম এল এ, এন লোকেননা ঙসি এসেমব্লিগী জীরো অৱরগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

জীরো অৱরগী খূদোংচাবা লৌরগা এম এল এ, এন লোকেননা হায়খি, সী এ এফ এন্দ পি দিগী ইন্সপেক্টর ওইবা মীওই অমা নুপী খরা লাক্লগা ফূরম্বগী পাউ পাউ চেশিংদা হাপ্পা থেংনরে। নম্বোল এ সীগী মনুংদা এফ পি এস এজেন্ট ৯ ককথৎলগা অনৌবা অমুক হাপ্পগী ৱাফম পুথোক্তুনা খন্নবা লৈখ্রবনি। বি জে পিগী নুপী ৱার্করশিংনা সী এ এফ এন্দ পি দিগী ইন্সপেক্টর অদু ফূরম্বনি। লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী মীওইশিংনা ষ্টাফ ফূবনচিংবা চথরক্লে। ষ্টাফ ফূবদা চেন্নরিবা নুপীশিং অদুগী মমিং-মথাসু পাউচেশিংদা য়াওনরে। পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টাফ ফূরিবা মীওইশিং অদু ফাদুনা লোগী চপ চাবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

জীরো অৱরগী খূদোংচাবা লৌরগা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, সী এ এফ এন্দ পি দিগী ইন্সপেক্টর অমা ফূখিবা থৌদোক অসিগী মতুং তারকপদা ষ্টাফশিংনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কদৌরি। পেনদাউন ষ্ট্রাইকনচিংবা চথবা হৌরকপগী ফীভম লাক্লে। খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপা য়াবগী ফীভম লাক্লিবা অসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জীরো অৱরগী খূদোংচাবা লৌরগা এম এল এ, আর কে ইমোনা হায়খি, এসেমব্লি ফল্লিবা অসিদা পুলিস পার্সনেল কয়া অকোয়বদা দ্যুটি তাদুনা লৈরিবনি। নুপী পুলিস য়াওনা দ্যুটি তারিবশিং অসি এসেমব্লিগী অকোয়বদা টোইলেটকী খূদোংচাবা থম্বীদবনা অৱাবা থেংনরে হায়বা ৱাফম সোসল মীদিয়াদা ফাওবা থাদোক্লরকপা থেংনরে। এসেমব্লিগীদমক ঙাক শেল্লিবা পুলিস পার্সনেলশিং অসিগীদমক পব্লিক কনভিনিএন্স থম্বীবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জীরো অৱরগী মতমদা এম এল এ, ও হেনরিনা হায়খি, লম্বী পাকথোকপগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা উ য়াম্থৎপগী ফীভম থেংনরি। উ অমনা কাংদোং ফারকপা হায়বসি মতম য়াম্না চঙবা অমনি। লম্বী মপান্দা হৌরিবা চাওরবা খোংনাংনচিংবা উ য়ান্থৎপা থেংনরি। খোংনাং হায়বসি ওক্সিজেন য়াম্না থাদোকপা অফবা পাম্বী ওইরিবনি। চাউখৎলবা মফম কয়াদা লম্বী শেল্লকপা মতমদা অচৌবা উ লৈবা মতমদা খরা থৈদোক-থৈজিন তৌরগা শেম্বা ফাওবা থেংনৈ। লম্বী শেল্লকপা মতমদা কাংদোং ফারবা অচৌবা উপালশিং য়ান্থৎপা চুল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# কম্পেন্সেসন লান্না লৌথোকখ্রে হায়বগী ঈরাং লাক্লে, লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙউ : জয়কিষন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচ এন এস): রেলৱে লাইন শেমগৎলকপগী কম্পেন্সেসন লান্না লৌথোকখ্রে হায়বগী অচৌবা ঈরাং অমা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মরাং চীংদা লাক্লে। লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ঙসি এসেমব্লিদা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখ্রে।

কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মরাং চীংদা অচৌবা ঈরাং অমা লাকপগা লোয়ননা টিপ্পর মৈ থাখ্রে। খুলগী নিংথৌসু পুলিসনা ফানবা হোৎনবদা নুপীশিংনা কলহৌরে হায়বা পাউ পাউচেদা য়াওনরকপা থেংনরে। রেলৱেগী থবক পায়খৎলকপগী কম্পেন্সেসনগী শেনফম মীওই অনীনা লান্না লৌথোকখ্রে হায়বগী ৱাফম অমা লাক্লি। তমেংলোংগী দি সীনা বেঙ্কতা একাউন্ট ফ্রীজ তৌনবা খঙহনখি হায়বা ৱাফমসু লৈরি। মীওই অনী অদুনা কম্পেন্সেসনগী য়াম্লবা শেনফম লৌথোকখ্রে হায়বা ৱাফমদগী খোঙজংশিং অদু চঙশিল্লকপনি। মখা তানা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপা য়াবগী ফীভমসু লৈরি। মতৌ করম্না য়াম্লবা শেনফম অদু মীওই অনী অদুনা লৌথোকখিবনো হায়বসি লৈঙাক্না কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা থবক লৌখৎপা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোল্লিং এটেন্সন মোসন অদুগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন য়াম্না কন্না চথরি। কোর্টতসু কেস অমা লৈবা মরম্না হীরমসিগী মতাংদা পনবা চুল্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

# ৱাখল তামীন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ককচিং, ফেব্রৱারি ২২: দীন দয়াল উপধ্যায়া গ্রামীন কাউশল্যা যোজনা ( দি দি য়ু জি কে ৱাই) গী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্ররি ওন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট স্কিলস মিসিন, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসন ( এম এস আর এল এম), দিপার্টমেন্ট ওফ পঞ্চয়টটি রাজ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নৈলিএন্থাং টেলিএন ( আই এ এস) দি সি, ককচিং, অঞ্জলি চোংথাম, এস দি ও, ককচিং, সি ঐচ চরঞ্জিৎ, বি দি ও, ককচিং অমসুং কে ঐচ বোবি, মেনেজর মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন ( এম এস আর এল এম) না ময়ায় তাঙবলদা লেঙশিনখি। ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা বি ডি ও এস, পি আর আই মেম্বরশিং, ভিলেজ ওঠোরিটিশিং অমসুং কমন সর্ভিস সেন্টরশিংগী ভি এল ঈ এসশীংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা দীন দয়াল উপধ্যায়া গ্রামীন কাউশল্যা যোজনা পীরিবা কন্নবশিংগর মতাঙদা ঐচ বোবি, মেনেজর মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম) না ৱা ঙাঙখি।

## শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেল ওইনা পাঙথোকপীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল অমদি মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনা শুমাঙ লীলা অসি কম্পিটিসন ওইনা পাঙথোকপীরনু, ফেষ্টিবেল ওইনা পাঙথোকপীয়ু হায়না লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোএিসনগী সেক্রেটরি লাইশ্রম বোইনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, শুমাঙ লীলাগী পার্টি ১২ রোম লৈ। ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অসি পার্টি ৯ লোম্না শীনবনি। হন্দক মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী ১৭ ফাওবা নুপা গ্রুপকী শুমাঙ লীলা কম্পিটিসন পাঙথোকখিবা অদু পেনখিদে। কম্পিটিসন অদুদা ফর্ষ্ট তাহৌদে, নৎত্রগা সেকেন্দ তাহৌদে হায়বগী নুংঙাইহৌদবা নত্তে। তৌখিবা মওং অদু খরা ফজবা ৱাৎপ্রা হায়না ফাওই। অহুমশুবদসু ইন্দিভিজ্যুএল ওইনা প্রাইজ অনীখক পীরকপনি। ট্রান্সপরেন্ট ওইবা খরা ৱাৎপ্রা হায়না নুংঙাইতবা ফাওই। কম্পিটিসনগী মওংদা লাক্লবদি ঐখোয় মশেল নুংশিনদবা থোক্লরক্লগনি। মমাঙদসু ফেষ্টিবেল ওইনা পাঙথোক্লল্লিবা অদুগুম্না পাঙথোক-পীয়ু। কম্পিটিসন ওইনা লাক্লবদি পার্টি মশেল নুংঙাইনদবা লাক্কনি। কম্পিটিসনদা ফর্ষ্ট, সেকেন্দ, থর্দ তাহৌদবা লীলাদি চৎপগী চাংসু ৱাৎলক্কদবনা ফেষ্টিবেল ওইনা তৌবীয়ু। শুমাঙ লীলা মনুং হুৎনা খঙবনা জুরি ওইহন্নীংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## 'ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর শঙ্গাবীয়ু'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২২ (ঐচএন এস): ককচিংদা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর ওইবদা মফম চারে হায়দুনা মখা মায়কৈ লাইট ভেহিকল (পেসেঞ্জর) ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসন ককচিংনা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি টি ঐচ ওজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এসোসিএসন অসিগী মখাদা এসোসিএসন ২৯ গী ট্রান্সপোর্টরশিংনা ককচিংদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌদুনা লাকই। চহি অমগী মমাংদা ককচিংবু মপূং ফাবা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর ওইরে হায়দুনা মমাং লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিনা লাওথোক্লম্লবদা এসোসিএসন অসিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। অদুবু অনৌবা লৈঙাক অসিনা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর অমা ওইবগী মপুং ফাবা ইনফ্রষ্টকচরশিং ককচিংদা শেমগৎপীবগা লোয়ননা মফম অসিদা ডিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর ওইহনবীনবা এসোসিএসন অসিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পূক্নিং চীংশিল্লক্লি। এসোসিএসন অসিগী গাড়িশিং অসিনা নুংঙু, চাইরেন, পাঙলতাবী, ৱাঙু, ককচিং খুনৌ, তোকপা চীং, ৱাইখোং, এলাং খাংপোকপী, তম্পাক খুল, লাংমৈদোং, লাইমনাই, লমজাও, ৱাবগাই, হিংয়াংলম, সেকমাইজিন, উচিৱা, ময়াংইম্ফাল, ইরেংবন, সোরা, খোঙজোম, লাঙথেল, তেকচম, ৱাংচিং, য়াইরিপোক, খাঙবোক, থৌবাল, মচি, লাঙ্গোল, খুনবী, মীনৌ, লাইচীং, লম্লোং অমদি পল্লেননচিংবা মফমশিং অসিদগী ককচিংদা পুনফম ওইদুনা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবনি। ককচিংদা মার্কেট সেট, নেসনেলাইজ বেঙ্ক, স্পোর্টস কমপ্লেক্স, এডুকেস্নেল ট্রেনিং সেন্টর, পুলিস হেড ক্বাটর, পোষ্ট ওফিস, গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিং লৈবা ডি সি ওফিসতা লাকপদা ট্রান্সপোর্টকী খূদোংচাবা অসিদা ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেড ক্বাটর শাবীদুনা অথুবা মতমদা শঙ্গাবীয়ু হায়রি।